# লান তৌনরিবসিবু নাপল ময়াই কাপখায়নরিব্রা নৎত্রগা নমথেক্লরিব্রা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লানসে ফনা কল্লে হায়বা য়াই। মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও অমদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি লাকপা শোয়দ্রে হায়নরক্লিবসি ফনদি মকুইরে। মীওইবসি লান য়াম্না পান্থজ াৎনি, লাইরিক তম্বা হেক হৌরকপদগী হিষ্ট্রি সবজেক্টসিদা য়াওরিবসি লানগী লান ঙাক্তনি। আলেকজেন্দর, চন্দ্রগুপ্ত মৌর্য্য, নিংথৌরেল অশোক, সমুদ্রগুপ্ত, অকবর, টিপু সুলটান, নেটাজি সুভাস চন্দ্র বোসনচিংবা ঙম্নমক লানগা মরী লৈনদবা য়াওদে। ঐখোয়গীসু অদুমঙায়-মৈদিংঙু লোয়ুম্বা, মুংয়াম্বা, খাগেম্বা, গরিবনিৱাজনচিংবা ইনিংথৌ কয়াগী লান্দা থৌবা থৌনাশিংদুনা ইরৈবাক অসি শেমগৎপীরম্বনি। মীৎনা উহৌবসু নত্তে, মতমদুদা ঐখোয় পোকপসু নৎত্রি। লাইরিক, ফিল্ম, অহল-লমনশিংনা লীবীবা ৱারীদগী খঙবনি, মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাও থোকখ্রে হায়বসি। পোকঙমদনা পোল্লবা মীওইবগী পুন্সি য়াওনা মাঙ তাকপা য়াবা তাকখ্রে। য়ূম-কৈ, লম্বী-থোং, পুকচাক তানফম ওইরিবা কৈথেল শিনশঙনচিংবা কয়া মশীং লাকঙমদনা উফুল ওনখ্রবনি। মদুগী চৈবী চৈথেং ফংখিবা ইরৈবাক ইরমদমনি। বৃটিশ লোইলম ওইরুবনা অদুগুম্লবা লান্দো ঐখোয়গীদসু শরুক থুংলখি, মরোন মরোন নাইনা শন্দোকখ্রিবা চীংলোনশিংনা থৎপা ঙমজখিদবনি।

অনীশুবা লাঞ্জাও লোইখ্রে, য়ু এন ওসু মথৌ পাঙথোকখ্রবনি। মদুমক্তদা লানগী উংখৎনবদি লেপ্পা নাইখিদে। লান পাম্বা ঙকচাউ থেকপা খূৎলায় লমজেল তান্নবগী পেনবা কৌবা লৈত্রবা লৈবাকশিংদি লানগী চৈথেংদু কাউমন্নসু কাউখিব্রা? কাউজল থীবা মীওইবা ওইবগীরা? লাঞ্জাওদু লোইখিবা ইকুই কুইদবীদা সুপর পৱার অনী সোভিএট-রসিয়া, রসিয়া অমদি য়ু এস এগী লুচিং মখাদা মাগী মাগী মীচঙ খোম্নরগা মফি তাখৎনরকখি। মদুদা তকখৎনরকপা কোল্ড ৱারদুসু তরাই তরাইবদি নত্তে। মদুগী মহয়নি ঙসি ফাওবা কোরিয়া লৈবাক অনী পূনশিন্নবা ওইথোক্তনা লৈরিবসি। ঙসি ফাওবদা লান মচিৎ মচিৎ মালেমগী মফম কয়াদা অদুম শোক্লদুনা লৈ হায়বা য়াই। রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান্দুদসু অমাঙ অতা ফনা য়াম্না থোকপনি।

তৌববুদি মীওইবগী পুৱারী ঈচেল্লক্তা লানগী ৱারীসু অদুম ঈরোয়নদুনা লাকখি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মদুমক ওইদুনসু লান পঙতৌ তৌববু শৌগৎফম থোক্লিব্রা? লান তৌদবা য়াদবা মতাং হায়বসু লৈতবা নত্তে। রামায়নগী ৱারীদা শ্রীরামনা লঙ্কাগী নিংথৌ রাবনগী মথক্তা লান্দাশিনখিবা অদুদি তঙাইফদবনি। রাবন মাগী মচন্নুপী সুর্পনখাগী মনাতোনবু শ্রীরামগী মনাও ইবুংঙো লক্ষমননা ককথৎলুবগী লমন খুল্লিবনি হায়দুনসু শ্রীরামগী মবেম্মা সীতাবু ফাদুনা পুখিবা থৌদৌদুদি তৌহৈবা থৌওং নত্তে। মতীং থোক্লগনা লক্ষমনগী মনা অনীদুরা মনাতোন্দুরা কক্লীংবা অমা কোক হেক ককথৎলম্মুদনা! মাগীদুদি লমন খুম্বা নত্তে, মপু পাল্লবী নুপীদা মীৎয়েং কারন চনবনি। অযোধ্যা লৈবাক্কী তাংবল ফংফম থোক্লিবা মীশক্লি শ্রীরাম। মপাইবুংঙোগী ৱাশক ঙাক্লবগীদমক উমং ৱামংদা চহী তরামরি লেঞ্জবৈ ৱানি, নিংথৌমচা অমা ওইবগী মতীংদুদি থোইদিং মরূ অমগী চাং ফাওবা হন্থবা নত্তে। মদুদবু মাগী নুপীবু অতোপ্পনা হুরানখ্রকান্দুদা মকোক মরূ ইচাউ চাউখৎলগা চুবা মেৎলগা ফমদুনা লৈথোকপা য়ারিব্রা? মখূত্তি য়াওদনা কপ-লাউরগা থীন-চোংদুনা লৈথোকপা মতাংসু ওইদে। সিতাবু কনবা হায়বসি নুপী খুন্নাইগী ইকায়খুম্নববু কনবনি। ফজবা ৱাহৈনা হায়রুবদা য়ারক্কদবা রাবনসু নত্তে। মরোল অহুম লাকশিনবা ঙম্লবনি হায়বগী নাপল ময়াইনা লাকহৎখিদুনা অফ-ফত্ত করিমত্তা খন্থবা ঙমদ্রবা হিংচা-য়াইতম্বা ওল্লবা রাবননি। মীনসু লাইনসু শেমদোকপা ঙম্লরোইদবা মাগী মরমচৎনি। মদুদবু মথক্তা লান্দাশিন্দবা য়ারিব্রা? মকোক্তুনগা মরোঙ মরোঙ তরা হেক পানশিল্লে, হার্ট শোনবা মীদি নোংমা ফাদোক খংউ হেক উবদা লাইখংনরগা শ্বরদুম তৎখিদৌবা মাল্লি। মদুগুম্বজ াত্তুদি কোক হেক লোইশিনখিবদুনা ফরবনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা মতাংদুদদি লান তৌদবা শুংয়ামক য়াদবনি।

মহাভারতকী কুরুক্ষেত্র লাঞ্জাওগী মতাংদসু তঙাইফদবা লান অমনি হায়না শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকপীখিবগী মতাংনি - হে অর্জুন, নঙদি ক্ষেত্রিয় মচানি, নঙগী লোয়নরকপা থবক্তি লান তৌবনি। লান তৌবা পামদে হায়বসি চুমদবনি। তৌগদৌরিবা লান অসি নঙনা তৌজগে হোৎনরুবা নত্তে, অচুম্বা ফংননবা হোৎনবদা তৌগদবা লাননি, মসি ৱাদনা লায়না ফংহল্লিবনি। মসিদা নঙনা পামদ্রিবা অসি অফ-ফত্ত খনবা ঙমদবা নঙগী ৱাখল থেনবা অদুননি। (শ্রীমদ ভগবদ গীতা) মহাভারত অমদি রমায়নগী ৱারীসি অঙাং ওইরিঙৈদগী খরা খরা খঙবা ঙমজরকখ্রে হায়বা য়াই। ৱারী লীবা ওজাশিংনা লীবা ৱারী অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপশিংনা শৈথাবা কয়া মশীং নাইদখৈ তাখ্রে। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা হিন্দি ফিল্ম ওইনসু য়েংখ্রে। মতমদুদা রাবনগী মথক্তা রাম লক্ষমনখোয়না য়োং ময়ামগা লোয়ননা লঙ্কাগী মথক্তা লান্দাবদু য়াম নুংঙাইবৈ ৱানিদা। হনুমান মমৈদা মৈ চুরগা লঙ্কা লৈবাক মৈ চাকহনবদু অদুম অপেনবা ফাওই। পূম্নমক অদু অফবনা ফত্তববু, অচুম্বনা অরানববু মাঙহনবনি, তৌফম থোকপনি খঙবগীনি। কুরুক্ষেত্র লানসু অদুমঙায় কৌরব কাঙবুবু লোইশিনহন্নীংবনা খাঙবা ঙমদে। মখোয়গী মীওৎ মীনৈদুননি। মদু ফাওবদা মরুপ অমনদি দুর্যোধন অমদি কৌরব কাঙবুনা তৌরিবদু চুম্মী, পাণ্ডব মচিন মনাওশিংদু কুরু শাগেগী ঈ অশেংবা অমত্তা নত্তবনা হষ্টিনাপুরগী নিংথৌ খুভম ফংবগী হক মখোয়দা লৈতে হায়রিপোৎনি।

ঙসিদি মালেম পূম্বসি মিপাইনবা পোক্লরে। ইরান অমদি ইজরেল অনীগী লানদা য়ু এস এ য়াওশিল্লকপসিনা করি থোক্কদৌরিবনো, মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও অমা শোয়দ্রবরা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী ৱাহং ওইরে। য়ু এস এনা ইজরেলগা খূৎশম্নদুনা চখুরকপা এয়র ষ্ট্রাইকতা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোল্লা খামৈনি শিখ্রবা মতুংদা ইরাননা শীজিন্নরক্লিবা মিসাইলনচিংবসি উবদা অঙকপা পোক্লরে। সুপর পৱারনি হায়রিবা য়ু এস এগী প্রসিন্টে দোনাল্ড ত্রম্প ফাওবা অসুম্না ওইরক্কনি হায়বা থাজরম্মোই। মরকসিদা মীৎকূপ খরদা মালেমসি উফুল তাহনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পৈশিনবা লৈবাকশিং লৈবা মরম্না মীয়াম্না মীপাইনবগী মচাক ওইরি। ওইরক্লিবা ফীভমসি খল্লুবদা নুংনাংবা অকিবা ফাওবগী মথক্তা খোয়দৌ য়াম্না শাউগৎলি। ঐখোয়মুক কন-থৌবা লৈতে, ঐখোয়দি সুপর পৱারনি হায়বসি উৎনবা হোৎনবদা অঙম তান্নরকপনি হায়দবা ঙম্লোই। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা নাপল ময়াই কাবা তান্নরিবসু ওইরম্বা য়াই। মদু নৎত্রগা নাপল মনিল নমথেক্লবনি হায়রসু য়াবজাৎনি। খন্নীংবা খল্লো, ওইনীংবা ওইরো লান পাম্বশিংদা মসিমদি হংনীংই অসুম্না - অসুক ৱানা চহী লিশাং শিৎনা লাই হাক্তক্তগী শেমগৎ শাগৎলক্লিবা তাইবঙপান অসিবু মীৎকুপকী অশাউবনা পুমতুম তুমহনখ্রসি হায়বরা? তাইবঙপানগী থৱায় পানবশিং অমদি অচৎ-চত্ত পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইবা মপু মাবু শীংনরিবা হায়বদুরা? ●

# য়াওশঙদা চয়েৎনরিবা করিগীনো

- নবকুমার ওইনা -

কলচর য়াওদবা য়াদে হায়বসি চুমদবসু য়াই। মী হায়বসিদি কলচর অমগী মনুংদা লৈরকপা কুইরবনি, কনাসু কলচরগী ৱাংমদা লৈহৌবা য়াদ্রে। কলচর খুদিং ফজ গনি, কান্নগনি হায়বদি লৈত্রবনি। মরম অদুনা কলচর হায়বসিমক হোংল-হোংলগা শেমগৎতুনা লাকখ্রবনি। অদুম্মক হোংলগা চৎলিবনি, অদুনবু ফজবা হেল্লক্লিবনি। লম পাকই, মী য়াম্মী, কাঙলূপ অমগী কলচরদু কাঙলূপ অমনা য়াদবা, লৌদবা, শাউজবা য়াওনরিবনি। মরক অদুদা মীওই খরনা কলচর মরক্তা চয়েৎনবা থোকহনবসু লৈরি। কলচরেল ৱার হায়বসিমক ইথা থাজদনা পোলিটিকেল ৱারদগী হেন্না শাথীবা অমা ওইরক্লি।

লমদম অসিমক কলচরেল ৱার অমা মায়োক্লরে হায়বা ইখঙ খঙনরবা ৱাফম্নি। জিও-ফিজিকেলগী মিৎয়েংদসু লাংওন-লংদাইগী চৈথেংনা ঙসি ফাওবা চনীং তাদ্রিবা খুন্নাই হায়বদুমক ওইরিবনি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা তোৎশিন্নবগী মওংগা লমদম অসিদা তোৎন-তিনশিন্নরিবা অসিগা মান্নবা অমসুং মান্নদবা মওং কয়া লৈবসু য়ারিবনি। লৈঙাক্লোনগী ওইনা শাওনবা য়াওনরবসু কলচরগী ওইনদি লান্দু থোক্তরি হায়বদি য়ারি। থোক্লরোই হায়বদি য়াদ্রিবনি। চয়েৎনবগীদি চহী ৩০০গী মমাঙদগী ফোংনা চখুদুনা লাক্লবনি। ঙক্লিবদি মীয়াম অমা মীওই খরনা পোলিটিকেল পৱার শান্নরগা নাৎকী শক্তমদা শান্নখিবা অসিনি। ত্রাইবেল নেচর ওইবগী মীরক মীচল থীবদুগী খুদোং চাবা লৌনখিবসু ওইবা য়াই। অহোংবা নাইবা শাজৎ অদুনসু অনৌ-অনৌবদা থৱায় য়াওনখিবনি হায়বা য়াবসু লৈগনি। ওইজবা/মাঙবা খঙলক্লবা মতমদা তোক্লবসু য়াওনরক্লিবনি। মরক অদুদা কাঙলূপ খরনা শিখাঙ খাঙলগা মাগী-মাগী নাৎ ঙাকচবগী চাউথোকচবা য়াওনরিবনি। অদুমক ওইরবসু মনুং নৎত্রগা মপান্থোংদা অহোংবা খরা অদুম লৈগনি। হোংলগা চৎপা হায়বসি কলচরগী শাজৎনি, মীওইবা পূম্বগী শাজৎ ওইরিবনি। ঐখোয় খরতনা হোংবা য়ারোই হায়না শিখাঙ-খাঙলি।

লান তৌনরবা ফাওবদা কলচর য়াওনা হোংবদি ঙম্নদ্রিবনি। মমাঙথক্তা ইন্দিয়া মনুংদসু হিন্দু কয়া ইস্লাম চৎহনখ্রিবনি। মফম অসিদনা হিন্দু ওলহল্লিবনি। হৌজিক্লা খৃষ্টিয়ান ওনবসু মশীং খঙদবা মখৈ লৈরবনি। লাইনিং খক্তগী মরম নত্তবা ৱাখল্লোন কয়া'মা লৈরম্বা য়াই খন্নবসু লৈ। পূম্নমক হিংবগদি মরী লৈনৈ হায়নরবসু মশাগী চহী লিশাং শিৎনা পুখরক্লিবা কলচরগদি কমপ্রোমাইজ তৌনবা ইয়াও য়াওনদ্রবনি। পামজবা, থাজবা অমগী মতুংইন্ননি। মসিদা চুম্বা-লানবা হায়না নৈনবা ঙম্নফম থোক্তে। ইশাগী কলচরনি হায়না চাউথোকচরিবা নাৎকী শাজৎ অমদা করেম্নবা য়াওরক্লবদি থৱায় থাদোক্লবা ঙম্নরিবনি। মদু খঙদবা মীওই অমনা ঙক কনবা উৎনরবদি ৱাথোক ওইনরকপা ময়াম অমা উনরিবা/তানরিবা মীয়াম লৈরিবনি। লাইগী লাইরিক মৈ থারুবদা হাৎপা য়াওনরিবনি। য়াওশঙ হায়বসিবু কনাগী ওইরিবগে খঙদ্রে। ইরায় লায়না লাইনীং অনীগীনি হেক্তা হায়বা মীসু লৈরিবনি। চহী ৩০০গী মমাঙদা লৈরম্বা য়াওশঙদুনা কমদৌরম্বনো খঙনরব্রা? খৃষ্টিয়ানগী, ইস্লামগীসু য়াওশিনবা তারক্লিব্রা? শা-উচেক্তি অদুম চাবা য়াওনরবনি, লাইশোলদি করি শোনগনি! থায়নদি থাবল চোংবদা মৈ ঙান্না থাল্লম্বা নত্তে, খোঙ্গ্রাওবু শেৎনরমদৌবা মান্দে। নাক্কথেং হায়বসি হিন্দি নত্তে, লাইশোল হাপচিল্লিবসি কুইরবা ওইরোইদৌরিবনি। চহী চহুম ফারবা নৎত্রি। লাইনীংদা থৱায় য়াওশিনবা খরনা মশাগীতা উবা মিৎয়েংদা হান্না লৈজরম্বা নাৎতা তোৎশিন্নবা হৌজিনবনি খল্লি।

চুম্বা-লানবা খঙদনা ঐনা-ঐনা পামজবদু মফম খুদিংদা তৌশিনবা হায়বসি ৱাথোক শাগৎপনি। মদুমক্লা মালেমগী মচী খুদিংদা ঙসি ঙসিমক ঈরাং থোক্লিবনি, মী হাৎনহল্লিবনি। লমদম অসিদসু মদু থোক্লোয় হায়নীংঙাই লৈতে। মীনা হায়বা তারোই, ঐনা হায়রবদি থাজগদৌবনি, শিরবসু য়ারে খল্লগা তৌরিবনি হায়গদৌরিব্রা? মসিদনি, পঙবদগী পঙশি শিবা য়াওনরক্লিবসি। তঙাইফদ্রিবসি শিবা নাবা য়াওনবদু নত্তে, ৱাখলদা লাইখায় তানবদুনি। ৱাখল্লোন কয়া মফম-মতমগী মতুংইন্না হোংনরিবনি। লুরিবদি ঙসিখক্তা য়েলহৌ মীনি হায়না থোক্লরক্লি, তৌগদৌবা থবক্তি হৌদ্রিবগুম্বনি। নাৎ অমা মপূং ফানা কনবা ঙম্লগনি হায়বা লৈত্রি। অদুনবু শুমাং-লৈকায় হায়বা অমদা ঈরাং লাংলিবনি। য়াওশঙ অরিবদুগী মপু লৈত্রিবগুম্বনি।

করিগী য়াওশঙ মুন্নরিবনো? লাইনীং শন্দোকপা হায়বসি দে-দ্রিম অমনি, তোক্ল রবনি। লাইনীং লৈতবা মফমদা নুংশিনদবা লৈরোই হায়রিবনি। হৌজিক ফাওবগীদি লমদম অসিদা পূন্না লৈমিন্ননবা ফোর্মুলা অমা শেম্বা নৎত্রগা পুথোকপা লৈত্রি। চীন্দা পঙহায় হায়নবগী ৱাতনি, মনুংদনা ঐনা-ঐনা ঙমদবা য়াদে হায়নরবদি থুগায়রিবনি, পুনশিন্নবা নত্তে। লাইগী মিংদা মীওইবা পূম্বগী মতম কয়া মাঙহনখ্রবনো। নীবনা ফংবা নত্তে, নীংবনা ফংবনি, অদুসু হোৎনজরিবা অদুগী মহয়নি। পঙলবদি লাইদা থাজদুনা মতম মাঙহল্লগা মায়থীনবগী মরম ওইরক্লবনি।

মীওইবনা শা ফাবগীসু নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরম্মীবনি। উহৈ-ৱাহৈদি কোয়না চৎলগা থিবা তারকই। মমৈথংদা উমং মনাক্তা লৌউ-শিংউবা হৌরকই। মরূ-মরাং হুনবগী কুম্মৈদি ঙসি ফাওবা পাঙথোক্লরি, মুত্তরি। লৌ উবা অমসুং লৌ লোকপা হায়বসি মরন্নাই ওইরমদে। ফুরুপকী ওইনা মরূ-মরাং হুল্লবদি শা-উচেক্তগী, য়োংদগী ঙাকথোক্লবা শঙবা তারম্মী। নহা, পাখঙ-লৈশা পূন্না শঙনরম্মী, চাক থোংদুনা চারম্মী, এঙ্গাং-নাপি য়ূমথোঙদগী খায়রম্মী, ঙসিনা নাক্ক-থেং হায়না খঙনরিবসিনি।

নাৎ খুদিং লাইগা মরী লৈনগনি হায়বদি লৈতে, অদুবু থবক হৌবদা লাই খুরুম্বদি ঙসি ফাওবা চৎনরি। খূৎলায় অমা পায়বা, গাড়ী থৌবদা লাইবক কৎনরি। গাড়ীদা কাখৎপা ফাওবা, ফম্ফমদা ফম্বা, কোলোমসি ইবা হৌবা ফাওবদা লাইবক কৎনবা য়াওনরি। থাজবদা মতম কয়া মাঙহল্লবনো? শাজৎ অমা ওইনা লাইশঙগী মপা লানবা ফাওবদা লাইবক কৎনরি, য়াওশঙদসু লাই য়াওশিল্লি। ৱাখলদা তোৎশিন্নবদুনা থবক্তা তোৎশিন্নরকই। নুংঙাইরিবদি মরূ-মরাং হুনবগী য়ারেক্তুনা শঙবদু কুম্মৈ ওইরবা মতমদদি মরূ-মরাং হুনবদু পুন্নদ্রে। অখঙবা শারগা নুমিৎ মান্নরগা পুনশিনগদৌবনি হায়বা লৈতে; খৃষ্টিয়ানগী য়াও শেনবদুগী শঙনি হায়বদা কনানা লাল্লি হায়গনি।

নীরগা হিংবা পূন্সি অমদা থাজহনবা হায়বসি মী ওইদনবা শাজৎ তম্বীবনি। চহী ১০০ পূন্সিবা মী অমগী নুমিৎ ৫০০ মাঙহল্লিবনি। অদুগসু শিরমদাইদদি ওক্সিজেন পীরগা থম্বসু য়াওনরি। নিল খোংলিবা ময়াম অসি অমদগী থৈদোক্লবা হোৎনবদা অমদা হেঞ্জিনবা কয়া থোক্লিবসি লাইনা নত্তে মীননি। লাই হায়বসি ইনর্জি অমনি হায়বসি খঙনরবনি, মীগী মতম মাঙহনবা, ইনর্জি মাঙহনবসি অপঙবা তারবনি। অপঙবগী লৈবাক অমা লৈবদি য়াই, মীখাদি পোনগনি। লৈবাক নীংবসি ঈশৈ ইরিবা, ঈশৈ শক্লিবশিংনা হেনগৎলক্লি। ঈশৈ শক্লগা শেল খায়বসি নোংমৈ পায়রগা শেল খায়বগা মান্নরিবনি। লাই হায়বসি শান্নপোৎ অমা নত্তে, অখঙবা শারগা পঙশান শান্নরবদি মমৈদা লাই/নাৎ খূৎলোকপী শান্নবা তারক্কদৌরি। লাইগীদমক্তা পঙৱা ৱারিবসিসু কয়া য়াম্না চুমগদৌরিবা? য়াওশঙসিসু তারম্বদগী খুনবিবনি হায়রক্কদৌরিব্রা? মায় ঙাংনদ্রি।

য়াওশঙদা পঙপুন পুনশিল্লগা ঐখোয় পুল্লক্কনি হায়বা লৈতে, লূপ অমা মুথুৎপনি হায়বসি ইখঙ খঙনবা ৱানি। জাৎ ওইনা মদু তৌরিবা মী লৈরিবা মালহল্লি। পঙতোৎ তোৎশিন্নবদু কলচর নত্তে, নাৎ হায়রিসি খেন্নবদুনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অকনবা ওর্দর শেম-শাবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চহী অমা ফানীংচিৎকী পি আর লোইশিনখিদুনা মণিপুরদা পোপ্যুলর লৈঙাক লিংলে। মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ৱাখল্লোনশিং খরদি তাবীরগনি হায়না থাজবা থম্নরক্লি। অদুবু লুরিবদি করম্বা মখলগী ওর্দরনা লৈঙাক্কদৌরিবা অমদি করম্বা খোঙজেল য়াঙবা আইন/লোনা মণিপুরবু য়াঙনা শান্তি হঞ্জিলহনবা ঙমগদৌরিবা। মমাঙগী লৈঙাক্তু ঙাইহাক কাউথোক্লগা হৌজিক হৌজিক পায়রিবা অনৌবা সী এম অসিনা করি মতৌবু উৎলক্কদৌরিবা। হৌজিক হৌজিক কুকিশিংবুদি মণিপুরগী সী এমনা তরাম্না কৌশিনবীদুনা অশোয় অঙাম থোকহল্লোই হায়দুনা য়াম্না ইচং থৌনা মীয়োক-মীচানগী ফজবা ৱাফম থল্লি। অদুবু কুকি কাঙলূপকী মিনিষ্টর/এম এল এ অমত্তনা মবুকচেল তিংনা কনা অমত্তা ময়া কাথোক্ত্রি। হায়বদি মীতৈশিং চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা লৈত্রে অমদি অশোয় অঙাম থোকহল্লরোই হায়বা অদুগুম্বা অমত্তা ওইবগী ৱাফম তাবা ফংদ্রি। ফোং ফোং শাখিবা ৱাফম অমনা, মীতৈ নুপা কুকি নুপী লৌই হায়, কোয় হায় তৌবা ককচীংদগী মীতৈ নুপাদু মীনুংশি য়াওদনা কুকি টেররিষ্টশিংনা হাৎখ্রিবদুনি। মদুগী মখা তাবা মীহাৎ মীপুনদুগী ফাবা পুনবা মীওই অমত্তগী পাউ তাবা ফংদ্রি। শেলগা মীওইবগী থৱায়গা ওন্নবা য়াবদৌনা শেল থুম পীবগী খরা লাউথোকখ্রগা মখা তাবা অচুম অরানগী ওইবা থৌওং অমত্তা থেংনদ্রি, তাদ্রি।

শম্না হায়রবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরগী মিনিষ্টর/এম এল এশিংগী কোক অমদি চিন তুনা ফোৎচিনবীবগা চপ মান্ননা থল্লিবসি অসুম য়াদুনা লৈরিবসিবু করিগীনো?

তমদদি শান্তি লৈরে, লো ফজনা চৎনহল্লে, ওর্দর ফজনা পাঙথোক্লে অদুবু চীংদদি লম হেল্লবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী দিমান্দ সিপরেট এদমিষ্ট্রেসন হায়বদু হোংবা লৈতে অমদি ফোংনা মীতৈ চংলকপা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অদু কুকি ইকায় খঙদবা নুপা-নুপী পূন্না চপ মান্ননা চথুরি। মসিবু অসুম খঙশিন উশিন্নদনা ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা কয়াম কুইনা তাদুনা অমদি য়েংদুনা লৈখিগে হায়বনো।

মপোৎসু নত্তবা, মরমসু নত্তবা ইকায়বা ফাওদ্রবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌহন্দুনা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈশিংদা পীরিবা খাঙঙমদবা শাওনীংবগী ইহুল অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেমগৎপা অচৌবা দ্রামাগী প্লেটফোর্মনি।

মীতৈশিংগী লাইফমলেন কৌব্রু, থাংজিং কাবা য়ানবা মাঙজৌননা হোৎনবীয়ু। কুকিনা থিংলে হায়দুনা লাইফমলেন য়ৌদনা হলহনবীরক্কনু, অকনবা ওর্দরদু পায়রগা খোঙজেল য়াঙবা লোদু শীজিন্নরগা লমহেনবা লোনচৎ য়াওদবা মপা-মপু মশক খঙদবা কুকিশিংনা থিংবদা য়েংদুনা লৈথোকপীগনু। খাঙবদা ৱারবা, তাবদা তাঙমদ্রবা মীতৈশিংগী ধর্ম্মবুসু মশক খঙবীয়ু।

লিতানগী থৌদোকসু কুকিশিং অসিনা হান্না হেক্তা হৌই। অদুগা অচুম্বা শান্নবা হেক্তা হোৎনরক্লিবসি মখোয়দা পীরিবা শক্তি অসি হকথেংননা কনানা পীবনো অদুগা নাকোইননা ইনশিনবনা কনানো। মখোয়না লম অসুম তকশিল্লক্লিবসিবু করম্বা অকনবা শক্তি লৈবদগী 'বর' ফংখ্রবগে।

হিন্দুগী ৱারীদগী মতেক অমত্তং লৌখৎচরবদা : অশিবগী লাই যমরাজদগী সতি সাবিত্রিনা মপুরোইবগী থৱায় নিজহৌবদো অদুম হায়না কুকিশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী অদুগুম্বা 'বর'দু ফংহৌরবরা খন্দবা য়ারক্ত্রে। মখা তারকপদা সৈত্যবানগী অশিবা হকচাংদু সাবিত্রিনা শুকথা থাদোক্তবদগী যবরাজনা সতিদা নঙনা নিনীংবা বর নিজ রো নপুরোইবগী থৱায় নত্তবা হায়রকপা মতমদা সতিনা, মানা অপাম্বা বর মথং মথং নীরে। মদু ফাওবদা হনমল্লক্ত্রবদা অমুক অরোইবা ওইনা নপুরোইবগী থৱায় নত্তবা বর অমগা নিরো হায়রক্লবদা সতিনা ইচা ১০০ ফংহনবীয়ু হায়দুনা লৌ তৌদুনা নিখিবা বর অদুনা সাবিত্রিনা মপুরোইবগী থৱায় অমুক ফংজখি হায়বদি মপুরোইবা য়াওদনা মচা ১০০ করম্না ফংগদৌরিবনো হায়দুনা লৌ তৌরকপদগী যম মহারাজ মায়থীখি। হায়দোকখিবা ৱাফম, ঙাঙথোকখিবা থবকশিং হায়বসি য়াম্না লুবনি। ঐখোয় মীতৈশিং শেম শাসি, পুনশিন্নসি, অপূনবগী পাঙ্গল তনা লৌশিং য়াওদনা থবক চংশিনবা য়ারোই। যম মহারাজ মায়থীবা পীসি, অপূনবগী থৌওংনা।

অদোমগী - খুম্বোংময়ূম বিমোলা, তেরা

## অচুম অরান থিদনা হেক্তা মরাল থংজিনবসিবু চুল্লিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থা অসিগী ৭, য়াওশঙ মঙানি চনবা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা নম্বোলগী মাইবমলোৎপা চীং হায়না খঙনরিবা মফমসিদা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোকপী থৌদোক অদুগী মতাংদা মফমসিগী মীচম অমা ওইনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট (বিষ্ণুপুর) অমদি মরী লৈনবশিংদা করিগুম্বা ৱাফম খরদং হায়জরি মদুদি, হায়রিবা থৌদোক অদু নুমিদাং মী চিকপগী তাঞ্জা লৌরগা কনাগুম্বা মথোং হুক্তবশিংনা চীং অসি মৈ থাবীরল্লে অদুবু হংনীংলিবা ৱাফমদি হায়রিবা থৌদোকসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা মীওইশিংদুদি কুপশিন দুনা থম্বীরগা মনাক নক্লে হায়দুনা করিসু য়াওজদবা, মরী শুক্লে লৈনদবা কনাগুম্বা অমদা অচুম অরান থিদনা হেক্তা মরাল থংজিনবসিবু চুল্লিব্রা?

চাক্লিবা মৈদুবুদি নুংশিজরবা মায়কৈ অদোমগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী ইচিন ইনাওশিং অমদি মীয়াম চঙদুনা কলহৌরে। অদুবু করিসু লাঞ্জদবা মীওই অমবু থৌদোক্তুগী ভিক্টিম ওইহনবদি চুল্লোইদ্রা হায়না খঞ্জে। তশেংনা হায়রবদা থৌদোক অদু হায়রিবা লৈকায়সিদা লৈরিবা ফোরেষ্টকী মীওই খরগা লৈকায়গা য়েংথিনবদগী থোকপা থৌদোক ওইদোইনি। থৌদোক অসিদা ঙম্মী মতাগুম মখোয়না নমদুনা ভিক্টিম ওইহনবীরিবা মীওইদুগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টসু অমুক্তা মুন্না খন্থবীরগা থবক পায়খৎপীয়ু হায়জরি।

মসিদা মরী লৈনবশিংনসু ঙম্মী হায়দুনা কনাগুম্বা মরী শুক্লে লৈনদবা মীওই অমবু অরানবা তাহনবগী চৎনবীসি তোকপীরো। মীচম মীয়াম ঐখোয়দি খাঙবদা ৱারে। মীচং লৈজদবা ঐখোয়সু মীওইবনি খনবীয়ু হায়জরি।

লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা থৌদোকসিগী অচুম অরান পুথোকপীনবসু মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

অদোমগী - মাইবম দেন্নি

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।